# নেরোকা এফ সীনা সুদেভা দেল্লী এফ সী মায়থীবা পীখ্রে, ইন্দিয়ন এরোজ গোকুলম এফ সীগী মখূৎতা মায়থীহৌরে



সুদেভা এফ সীগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্দুনা হরাউবা ফোঙদোক্লিবা নেরোকাগী শান্নরোয়

কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ১৯(এজেন্সী): কোলকাটাগী কিশোর ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই-লীগকী ৪৪শুবা মেটচতা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সীনা দেল্লগী ক্লব সুদেভা দেল্লী এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। লোয়ননা ৪৫শুবা মেটচতা ইন্দিয়ন এরোজকী টিম গোকুলম কেরলা এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

নেরোকা এফ সী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৭তা মরি মায়থীরগা ২ ড্রো চৎলবা মতুং মেটচ অমা মায় পাক্লগা পূন্না পোইন্ট ৫ ফংদুনা টিম ১১গী লম্বা অসিদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি। অমরোমদা সুদেভা দেল্লীনা চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা টিম অনীমক পাঙ্গল মান্ননা শান্নখি। মায় পাক্লনবা হোৎনদুনা শান্নরকপদা নেরোকাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ্তা ষ্ট্রাইকর ট্রিনিদাদ এন্দ টেবেগো মচা জুদা ইমান্যুএলনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখি।

২শুবা হাফকী হৌরকপদগী সুদেভা দেল্লী এফ সীনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। নেরোকাগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা সোংপুসিংসিটনা শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী নেরোকা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৮ য়ৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়ন এরোজ অমদি গোকুলম কেরলা এফ সী লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী গোকুলমনা দোমিনেট তৌদুনা পাঞ্জল ৪ হাপচিনবা ঙমখি। ইমিল বেনিনা ৪৭শুবা মিনট, দেনি অন্টৱিনা ৫১শুবা, লালরোমাৱিনা ৭৮শুবা মিনট, অদুগা ৯০শুবা মিনটতা মণিপুর মচা ঙাঙোম রোনাল্ডনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 8 | 4 | 4 | 0 | 11 | 4 | 7 | 16 |
| 2 | Punjab FC | 9 | 4 | 3 | 2 | 11 | 7 | 4 | 15 |
| 3 | Real Kashmir | 8 | 3 | 5 | 0 | 15 | 6 | 9 | 14 |
| 4 | Gokulam FC | 8 | 4 | 1 | 3 | 17 | 11 | 6 | 13 |
| 5 | Aizawl | 8 | 3 | 3 | 2 | 9 | 5 | 4 | 12 |
| 6 | TRAU | 8 | 2 | 4 | 2 | 9 | 10 | -1 | 10 |
| 7 | Mohammedan SC | 8 | 2 | 4 | 2 | 5 | 7 | -2 | 10 |
| 8 | Sudeva | 8 | 2 | 3 | 3 | 9 | 7 | 2 | 9 |
| 9 | Chennai City FC | 8 | 3 | 0 | 5 | 6 | 14 | -8 | 9 |
| 10 | Neroca FC | 8 | 2 | 2 | 4 | 13 | 13 | 0 | 8 |
| 11 | Indian Arrows | 9 | 1 | 1 | 7 | 5 | 26 | -21 | 4 |

# বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্স অমসুং বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা নুপীগী দবলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



মেলবর্ন, ফেব্রুৱারী ১৯(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা শান্নরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্স অমসুং বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ প্যের বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্স অমসুং বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা য়ু এসকী নিকোল মেলিচর অমসুং নেদরলেন্দসকী দেমী স্কুর্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-৪দা থোইরমখি। অমরোমদা ৩শুবা সিদেদ প্যের চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রাইচিকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভানা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী দারিয়া জুরক অমসুং সার্ভিয়াগী নিনা ষ্টোজানোভিসপু ৩-৬, ৬-২, ৬-৪দা থোইদুনা ঙসিগী ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ফাইনেল মেটচকী হৌরকপদগী হৌনা বেলজিয়ম অমসুং বেলারুসকী প্যের অদুনা চেক রিপব্লিক্কী প্যের অদুবু হিরম খুদিংমক্তা পাঙ্গল হেন্না শান্নবা ঙমখি। অহানবা সেট অদু মর্টেন্স অমসুং সবালেনকানা বার্বোরা অমদি কেটরিনাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদুসু বেলজিয়ম অমসুং বেলারুসকী প্যের অদুনা লাকশিল্লক্তুনা সার্ভিস গেম অমা চেক রিপব্লিক্কী প্যের অদুদগী মুন্দুনা ৬-৩দা থোইরগা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ৪শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসপু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-৪, ৬-২, ৭-৫দা থোইদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেলদা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় অস্লান করাটসেবপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২দা সেমীফাইনেল মায়পাকখ্ৱবা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিসকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা নুপাগী দবলস সেমীফাইনেলদা য়ু এসকী রাজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরিনা ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেবু ৬-৪, ৭-৬(৭-২)দা থোইদুনা ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী প্যের নিকোলা মেকটিক অমসুং মাটে পাবিসবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বা স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেক অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগকা লম্বা তৌনরগনি।

হয়েং নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মসপু থোইরম্বী জপানগী নাওমী ওসাকাগা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা মুকোভাবু থোইরম্বী য়ু এস একগী জেনিফর ব্রেদিগা শান্নরগনি।

# ষ্টেট লেভেল পেনকাক সিলাট লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী লিচিং মখাদা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬তা সুনুসিফাইদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৫গী শান্নরোয় ২০০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অহুম্লকশুবা ষ্টেট লেভেল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০২১ লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা ইটনো হেরিটেজ কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুমখাইবম সুর্জিৎকুমার খুমন, ডা.আই এস কোন্থৌজম সোসল সাইনটিষ্ট, এল গোকুলচন্দ্র রিটায়র্দ একজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়র পিঐচঈদি, এন রঞ্জিৎ প্রধান ফুবালা গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী ৱার্দ মেম্বর দব্লিউ হেমাবতি অমসুং এন রামসিং মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

মমাংগী চেম্পিয়ন ইম্ফাল ইষ্টনা গোল্ড ২৪, সিলভর ১১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ পুন্না মেদল ৪১ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা গোল্ড ২১, সিভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৬ পুন্না মেদল ৪৬ ফংদুনা রন্নর্স অপ পোজিসন তাখি।

# ঈ এল এস এনা এ কে এস এবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা কৈশাম বাবু মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচতা ঈ এল এস এ নরানসেনানা এ কে এস এ ক্বাকটাবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৪দগী পুন্না টিম ৬না শরুক য়াদুনা মোইরাং মল্টি পর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা শান্নবা হৌখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু ঈ এল এস এগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী এ কে এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল কা হেন্না ফংবা ঙমদনা শান্নখি। মেটচ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ শুরকপদা ঈ এল এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৬ পি ভেবিকানন্দনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা এ কে এস এবু মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ মখা চথুরকরপা এ কে এস এনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা লৈরিবা ঈ এল এস এগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৯ এম কালুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী শোথদুনা লৈরিবা এ কে এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি অরিপনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা মখাতানা ইক্বেলাইজর ফংননবা শান্নরকখি। অদুবু ঈ এল এস এগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা দিফেন্স শান্নদুনা মেটচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইখি। হয়েং অমোপা একাদমী কে আর এফ সি শান্নগনি।

# অহানবা সেনিয়র ষ্টেট লেভেল ফুটসাল চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর সোকর ফুটসাল এসোসিএসনসন্না শিন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফুটসাল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২১ ( মেন্স এন্স ৱিমেন্স) মার্চ ২দগী ৬ফাওবা য়াস্কুলগী ৱাই এ সি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়ন ওইগদবা টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৩০,০০০ অমদি ত্রোফি অমসুং রন্নর্স অপ তাবা টিমদা লুপা ২০,০০০ অমসুং ত্রোফি পীগদৌরি। টিম অমদা শান্নরোয় ৮ অমসুং ওফিসল অমা ওইগনি। এন্ত্রি ফীনা লুপা ৩০০০ ওইগদৌরি। অদুগা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা ফেব্রুৱারী ২৮নি হায়না চেরোল অসিনা মখাতারি।

ওনলাইনদা ফোর্ম ফংগদবা নম্বর অদুদি ৯৮৮৬৬০৫৭৩৯, ৱাইএসি গ্রাউন্দ (৯৮৬২১০৯২৭২), থাও গ্রাউন্দ(৭৩০৮৬৬১৯৫৯), মোটবুং (৯৮১৭৮১৪৫৩৪), পোটসংবম খুনৌ (৯৮৬২৫১৬৯৩৭) অমসুং য়ুরেম্বম (৯৮৬২২৬৮২১৭)নি। জি-পে অমসুং পোন-পে নম্বরনা ৯৮৮৬৬০৫৭৩৯ ওইগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা খল্লবশিংনা নাগপুরগী নেসনল লেভেলগা শান্নগনি হায়রি।

# অহানবা ৱাংখেম কেন্দ্র ওপন ফুটবোলগী ওফিসল খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা অহানবা ৱাংখেম কেন্দ্র ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ওফিসলশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী জেনরেল সেক্রেটরি এল কুলধজনা প্রেস্তা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

থা অসিগী ২১দগী হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ কম্মিস্নর ওইগদৌরিবা ওফিসল অদুনা টি ঐচ সঞ্জিৎকুমারনি। অদুগা মেটচ রেফরি ওইগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুদি, কেঐচ ইবুংঙো, পি দেবানন্দ, এস রোজিৎ, এম বিদ্যাশ্বর, এ কে তুনেশ্বর, আর কে অঙৌসনা, এল রঞ্জিৎ, এমদি এনুস খান, এমদি স্বিপ আলি, রোস্নি অমসুং এস রোবিন্সননি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অহানবা ৱাংখেম কেন্দ্র ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা খনগৎলবা ওফিসলশিং অসিনা চৎলিবা থা অসিগী ২০দা মেটচ কম্মিস্নর ওইরিবা টি ঐচ সঞ্জিৎকুমারদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখাতারি।

# আর্টিফিসিএল ফূটবোল টর্ফ শঙ্গাখ্রে, মাইন-বি ৭ এ-সাইদ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা চীংঙারেল তেজপুরদা আর্টিফিসিএল ফূটবোল টর্ফ শঙ্গাখিবগা লোয়ননা মাইন-বি ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতননা প্রসিদেন্ট অমদি অম্ফাগী সেক্রেটরি লাইফাংবম জ্যোতিরমোই রোইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। মাইন-বি সভেন এ-সাইদ


আর্টিফিসিএল ফূটবোল টর্ফ শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)

ভর্সেস মনিথৱানগী মরক্তা এগজিবিসন মেটচ অমসু শান্নখি। একজিবিসন মেটচ অদুদা মনিথৱাননা গোল ৫ চনখি অদুগা অমজুনা গোল ৩ চনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আর্টিফিসিএল ফূটবোল টর্ফকী ফীল্ড কয়া হাংদোক্লরক্লিবা অসি ফূটবোল মশান্নবু পাম্না শান্নরিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনসু মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ফূটবোলবু মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু অনীশুবা টেষ্ট মেটচ রন ৩১৭তা থোইখ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ১৯(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দনা ফেব্রুৱারী ৫দগী মার্চ ২৮ ফাওবা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজকী মনুং চন্না টেষ্ট মেটচ মরিগী মনুংদা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৩১৭তা থোইখ্রে।

টেষ্ট মেটচ ৪, টি-২০ মেটচ ৫ অমদি ৱান দে ইন্টরনেসনল মেটচ ৩গী সেরিজনি। পনবা য়াই অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ২২৭তা থোইখিবনি। অদুগা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদুনা থা অসিগী ১৩দগী শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা য়াম্না হেন্না ফজবা মওংদা রন ৩১৭তা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অদু ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩২৯ লৌখি। রোহিট শর্ম্মানা রন ১৬১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা শুপ্নগী রন ১৩৪ খক লৌখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অস্বিননা ৱিকেট ৫ লৌদুনা য়াম্না ফজখি।

রন ১৯৫ হেন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ানা ২শুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ২৮৬ লৌবা ঙমখি। ২শুবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর অস্বিননা রন ১০৬ লৌখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু পনবা য়াই। ইংলেন্দনা রন ৪৮২ লৌরগা মায় পাক্কদবা মেটচ অদু অনীশুবা ইন্নিংসতা শুপ্নগী রন ১৬৪ খক লৌখিবদগী ইন্দিয়ানা মখোয়বু রন ৩১৭তা থোইখি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 224/SDC/IW -L/2021**

(1) Angom Robi Singh S/o Leirenjao Singh of Kangchup Kharang (East 1.25 acre) (2) -do- Damu Singh S/o (L) Dharma Singh of -do- (Middle 1.25 acre) (3) -do- Ingocha Singh S/o (L) -do- of Phayeng Mamang Leikai. (3.37 acre) ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Angom Biren Singh S/o (L) Manikchand Singh of Phayeng Awang Leikai. ...O.P. Party

**NOTICE**

19/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম ধর্ম্ম সিংহ পীতা মৃ: ভদ্রা সিংহ, সাং ফয়েংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৫ - লল্লোংগৈগী অনৌবা পাট্টা নং ২, দাগ নং ৮৩, এরিয়া ৫.৮৭ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9008/20 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 225/SDC/IW -L/2021**

(1) Angom Ingocha Singh S/o (L) Dharma Singh of Phayeng Mamang Leikai. (2) -do- Ngoubram Singh S/o (L) -do- of Phayeng Angom Leikai. (3) -do- Hemanta Singh S/o Ngoubram Singh of Phayeng Mayai Leikai. ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Angom Dharma Singh S/o (L) Bhadra Singh of Phayeng. ...O.P. Party

**NOTICE**

19/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম ধর্ম্ম সিংহ পীতা মৃ: ভদ্রা সিংহ, সাং ফয়েংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৬০ - চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ১১১, দাগ নং ১২১, এরিয়া ১.৮৭ চাউবা ইশ্চোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9008/20 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 171/SDC/IW -L/2021**

Aribam Rishikesh Sharma S/o Nidhubon Sharma of Taothong Khunou, Lamsang. ...*Petitioner*

-Vs-

Khundongbam Tomal Singh S/o (L) Gulap Singh of Naoremthong. ...O.P. Party

**NOTICE**

16/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার কোন্থৌজম তোমাল সিংহ পীতা মৃ: গুলাপ সিংহ, সাং নাওরেমথোংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৬৪ - হাওরংশাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৭, দাগ নং ৩৪ অমসুং এরিয়া ১.৩৬০০৪ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9008/20 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 211/SDC/IW -L/2021**

Khundrakpam Ranibala Devi W/o (L) Angom Biren Singh of Phayeng Awang Leikai. ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) Angom Biren Singh S/o (L) Manikchand Singh of Phayeng Awang Leikai. ...O.P. Party

**NOTICE**

18/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম বিরেন সিংহ পীতা মৃ: মনিকচান্দ সিংহ, সাং ফয়েং অৱাং লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৭ - কাংচুপকী অনৌবা পাট্টা নং ৩৯/১৯২, দাগ নং ১২০/৩৫৬, ১২১/২৯৩গী এরিয়া ০.৪২৫০০, ০.২০০০০ চাউবা অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9008/20 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 170/SDC/IW -L/2021**

Khundongbam Tijendra Singh S/o (L) Kh. Nipamacha Singh of Uripok Achom Leikai. ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) Khundongbam Nipamacha Singh S/o (L) Tomba Singh of Uripok Sapam Leikai. ...O.P. Party

**NOTICE**

16/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার খুন্দোংবম নিপামচা সিংহ পীতা মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং উরিপোক সাপম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫১ - অখামগী অনৌবা পাট্টা নং ২৩, দাগ নং ২০ অমসুং এরিয়া ২.৩৭ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/9008/20 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 166/SDC/IW -L/2021**

Hijam Dolendro Singh S/o (L) Hijam Mani Singh of Singjamei Waikhom Leikai. ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) Hijam Mani Singh S/o (L) Hijam Kesho Singh of Singjamei Waikhom Leikai. ...O.P. Party

**NOTICE**

12/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার হিজম মনি সিংহ পীতা মৃ: কেশো সিংহ, সাং শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৬৪ - হাওরংশাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ১১৯, দাগ নং ১১৯৭ অমসুং এরিয়া ০.৭৬০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/8996/20 ***Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang***


## EMPLOYMENT NEWS

| SI. | NAME OF THE POST | QUALIFICATION | EXPERIENCE | VACANCY | MONTHLY PAY | AGE |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | SECTION OFFICER (S.O) CIVIL | B.E/DIPLOMA | 3 to 5 Yrs. | 3 | Negotiable | 28-40 |
| 2. | ARCHITECT ENGINEER | B.Arch/M.Arch | 3 to 5 Yrs. | 3 | Negotiable | 28-40 |
| 3. | OFFICE ASSISTANT | GRADUATE | | 3 | Negotiable | 23-30 |
| 4. | ELECTRICIAN | DIPLOMA in Electrical | 3 to 5 Yrs. | 5 | Negotiable | 20-40 |
| 5. | Brick Mistry and JUGALI | | 5 to 10 Yrs. | 10+15 | Rs. 9,000 to Rs.25,000+T.A. | 25-45 |
| 6. | Iron Soldering Mistry | | 3 to 5 Yrs. | 3 | Rs. 12,000 to Rs.25,000+T.A. | 22-45 |
| 7. | Carpentry & TILES Mistry | | 5 to 10 Yrs. | 5+5 | Rs.12,000 to Rs.25,000+T.A. | 25-45 |
| 8. | ALUMINIUM MISTRY | | 3 to 5 Yrs. | 3 | Rs. 12,000 to Rs.25,000+T.A. | 25-45 |
| 9. | SECURITY/GUNMAN | | | 4 | Negotiable | 25-45 |
| 10. | Car Driver & Grade-IV | | | 2+2 | Negotiable | 20-30 |

Interested Candidate can submit their resume and all relevant documents along with 2 recent passport size photographs to the LG CONSTRUCTION and MATERIAL COMPANY Pvt. Ltd. KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST, MANIPUR.

Last Date of submission is 23rd Feb., 2021 Please Contact : 9774041523

HL-B/6672/11/2-6/3 (alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com